## এক্স-দিক্তেক্টরগী মচানুপী মীরেপ ওইবা থিংখ্রে

গুৱাতেমোলা সিটি, মে ১৪ :

গুৱাতেমালাগী হান্নগী মিলিটরি দিক্তেক্টর ইফ্রাইন রিওস মোন্টকী মচানুপী লাক্লিবা জুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়না গুৱাতেমালাগী টোপ কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রুলিং পীখ্রে।

কৃ লিদরশিংগী নক্লবা মরী মতাশিংনা তোপ ওফিস পায়বদা অথিংবা থল্লিবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল অমদা য়ুন্থম ওইরগা লৱার কোর্ট অমনা মোন্টকী মচানুপী রাইট-ৱিং পোলিটিসন ঝুরি রিওসনা মীরেপ ওইবদা অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা মহাক্লা থাঙ্গৎলকখিবা চেলেঞ্জ অমা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

## প্রোটেষ্টতা ৪ শিরে

খার্তুম, মে ১৪ : সুদানগী মপুং ওইবা ওপোজিসন কাঙবুং অমসুং মিলিটরি রুলরশিংগী মরক্তা পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসনগী দিল অমা পুরকখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোরকখিবা ইরাংদা মীওই মরি শিখিবগা লোয়ননা মিলিটরি রুলরশিংনা লৈবাক অদুদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম লৈহল্লোই হায়খ্রে।

## ইরানগী মতাংদা য়ুরোপকা মোৎ মান্নরক্তবদগী স্পেন্না য়ু এস গল্ফ মিসনদগী ফ্রিগেট লৌথোকখ্রে

মদ্রিদ/ব্রসেলজ, মে ১৪ (এজেন্সি):

যুরোপপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) অমসুং মেম্বর ষ্টেটশিংগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পীওদা য়ারিমখৈ পুক্লিং ফাথদুনা ইরানগা মিলিটরি টেন্সন হেনগৎহনদনবা চেকশিন ৱা হায়খ্রবা মতুংদা স্পেন্না গল্ফতা লৈরিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোন্বেট গ্রুপ অমদগী স্পেনিস ফ্রিগেট মতম খরগী ওইনা লৌথোক্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী মতাংদা য়ুরোপ অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং লৈনবদগী স্পেন্না গল্ফতা লৈরিবা য়ু এসনা লুচিংবা লানগী জহাজ মপৈ অদুদগী ফ্রিগেট অদু লৌথোকখিবনি হায়না থাজনরি। য়ু এস এয়রক্রাফ করিয়র য়ু এস এস অব্রাহম লিঙ্কননা লুচিংবা কোন্বেট গ্রুপ অদুদগী স্পেননা লৈবাক অসিগী নেভিগী ফ্রিগেট ২১৫-সেলর মেন্দেজ নুনেজ লৌথোকখিবগী মরম অমত্তা স্পেনিস দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীখিদে।

তৌইগুম্বসুং এক্তিং দিফেন্স মিনিষ্টর মর্গারিতা রোবলসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা ব্রসেলজতা পাঙথোকপা ন্যু কনফরেন্স অমদা স্পেনগী খোঙথাং অদুগী মরম খরা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

মিদল ইষ্টতা ইরান্না অমেরিকান ফোর্সশিংদা কিহল্লকপা কয়া থেংননবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়াম্না মরু ওইবা এয়রক্রাফ করিয়র অদুগা লোয়ননা পী-৫২ বোম্বর কয়া থাজিনখিবনি।

টেহরানবু ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ট্রোল তৌহন্নবা অমসুং সিরিয়া, ইরাক, লেবনন অমসুং য়েমেনদা পোক্সিশিং শৌগৎপা লেপহন্ননবগী পান্দমদা প্রেসর পীনবা প্রদিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরান্না থাও থাদোকপগী থবকশিংসু লেপহন্নবা হোৎনরকপা লৈরিবনি। ইরান্না সিরিয়াগী ৱাথোক্তা চেন্নবগী মতাং য়াওনা য়ু এসনা লৌরিবা ৱাফম কয়া য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না

য়ানিংলবসু ব্লোক অসিনা ট্রম্পনা ৱিথদ্রো তৌখ্রবা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী মরু ওইবা পৱার খরগা টেহরানগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুবুদি মখা তানা শৌগৎলি।

## ম্যান্মার মিলিটরিগা শেল-থুমগী মরী তৎননবা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা লৈবাকশিংদা তকশিনখ্রে

য়াঙ্গোন, মে ১৪ (এজেন্সি):

মালেম পুম্বনা ম্যান্মারগী আর্মর্দ ফোর্সেসকা শেল-থুম অমদি অতৈ মতেং পীনবগী মরী অপুন্বা তৎনগদবনি হায়না য়ু এন ফেক্ট ফাইন্দিং মিসন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে।

ফেক্ট ফাইন্দিং মিসন অসিনা রোহিঙ্গা মুস্লিম মাইনোরিটিবু ওৎনৈবগী থৌওংশিংদা চেন্নবা ম্যান্মারগী মকোক থোংবা জেনরেলশিং ৱায়েল চথনবসু অমুক হন্না তকশিনখ্রে

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্টতা রোহিঙ্গা লালহৌবশিংনা পুলিস পোষ্টশিংদা এটেক্ট কয়া চথখিবা মতুংদা মিলিটরিগী মায়কৈদগী পাঙথোকখিবা অকনবা কেম্প্যেন অমদা ম্যান্মারগী ৱেষ্টর্ন রখাইন ষ্টেটতা মাইনোরিটি মুস্লিমশিং পাতক্লা হাৎলি, নুপী কয়া গেংরেপ তৌই অমসুং কাঙলুপ অসিগী য়ুমকৈশিং তুম্না মৈ থাই হায়না ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মরাল শীবা লৈরিবনি। ম্যান্মার আর্মিনা রোহিঙ্গা লালহৌবশিং তকখায়নবা চথখিবা অকনবা কেম্প্যেন অদুদা ষ্টেট অদুগী মীওই ৭৩০,০০০ হেন্না য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেনশিন্দুনা চঙজফম লৌখ্রবনি।

অমরোমদা, ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু মরাল শীবগী ৱাফম অয়াম্বা লৈবাক অসিনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মিলিটরি ওফিসরশিংনা রোহিঙ্গা মাইনোরোটিগী মায়োক্তা তোরা তুম্না হাৎনবগী কেম্প্যেন অমা অতম্ননা পাঙথোকখিবা মরম্না মখোয়বু ৱায়েল মায়োক্লহনগদবনি হায়বা য়ু এননা শেমখিবা পেনেলনা হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বরদা লানখৎখিবা রিপোর্ট অমবুসু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী হ্যুমেন রাইটস উকিল অমসুং পেনেল মেম্বর কৃষ্টোফর সিদোটিনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাথোক অদু লৈখায় তাথোক্লবা নৎত্রগা রেফ্যুজিশিংবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা হল্লকপা য়ানবা ম্যান্মার লৈঙাক্লা হোৎনবগী খুদম-চাংদম অমত্তা পেনেল অসিনা উবা ফংদে।

ম্যান্মারনা এক্সপার্টশিং অদুবু লৈবাক অদুদা লাকপদা অথিংবা থমখ্রবসু মখোয়না বাংলাদেশকী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা রেফ্যুজি কেম্পশিং য়াওনা লমদম অদুদা থা অসিগী অঙনবদগী য়েংশিনবা হৌখ্রবনি।

## য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী কার্গো ভেসেল ফাজিনখিবা ট্রম্প-কিম সম্মিটকী মায়োক্তনি

সিওল, মে ১৪ (এজেন্সি):

অথিংবশিং থুগায় হায়বগী ৱাফমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী কার্গো জহাজশিংগী মনুংদগী অমা ফাজিনখিবগী থৌওং লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা সম্মিটকী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন খোঙ্গাওনবা ইলিগেল ওইবা থবক অমনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ভেসেল অদুবু থিন্থবা তৌদনা হন্দোরক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা য়ু এন সিক্যুরি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংগী মতুং ইন্না কার্গো ভেসেল অদু ফাজিল্লিবনি হায়বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা থৌওং অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনৈ হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লোনা য়াদবা য়াম্না ফজদবা থৌওং অমা চথদুনা ঐখোয়গী কার্গো জহাজ নমদুনা ফাজিনখ্রে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্তবনা মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমগী ৱারোল পল্লদুনা নোর্থকী ওফিসল জে সী এন এনা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

## য়ু এন এস সীদা থারবদি ইরান্না ন্যুক্লিয়র দিল থাদোকপা য়াই : ইরানিয়ন ওফিসল

টেহরান, মে ১৪ (এজেন্সি): ইরানগী ৱাফম অসি করিগুম্বা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা অমুক হন্না থাবগী ফিভম লাক্লবদি লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী মরু ওইবা পৱারশিংগা য়ান্নখিবা ন্যুক্লিয়র দিল থাদোকপা য়াই হায়না ইরানিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা ইরানগী ন্যুক্লিয়র কেস অসি য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা অমুক থাবা তারবদি ন্যুক্লিয়র একোর্দ অদুদগী হন্দোকপা য়াওনা ইরান্না মখল-মখা কয়াগী খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা য়াই হায়না ইরানগী এটোমিক এনর্জি ওর্গনাইজেসনগী স্পোক্সমেন বেহরৌজ কমলভান্দিনা নিংথৌকাপা নুমিত্তা প্রেস টি ভিদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা শিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

প্রেস টি ভিগী ইন্টরভিয়্যু অদুদা মহাক্না ইরানগী ৱাফম অসি য়ু এন এস সীদা থারবদি দিল অদু পুম্নাং মাঙললগনি অমদি মখা তানা চৎনবগী ৱাফম লৈররোই হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োলদা প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনসু ন্যুক একোর্দ অদুদা য়াওরিবা অথিংবা খরা ইন্না ঙাক্লরোই হায়খ্রবনি।

## সিরিয়াগী ইদলিবতা টেন্সন হন্থনবা খন্নখ্রে

ইষ্টানবুল, মে ১৪ (এজেন্সি): সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অমসুং মফম অদুদা উংখৎনবা হন্থহন্নবগী খোঙথাংশিংগী মতাংদা টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি অকর অমসুং রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবনা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা খন্নলৈখ্রে হায়না টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিরিয়াদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হন্দক্তা কনশিল্লকখিবদগী মীচম ১২০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রে। রসিয়ানা শৌগত্তুনা সিরিয়ন আর্মি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা চথখিবা ওফেন্সিভতা লমদম অদুগী মীওই ১৫০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবনি। মদু মমাংগী কালেনগী মতমদগী হৌজিক ফাওবদা লান অদুগী খ্বাইদগী হেন্না কনশিল্লকপা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌনরি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেবেলশিংগী মায়কৈদগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিরিয়াদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা অচৌবা কাউন্টর এটেক্ট অমা চথখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনদা য়ানখিবা সীজফয়ার থুগায়দুনা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা ইদলিবতা লৈরিবা টর্কি-রসিয়ন কোওপোরেসন্দা টার্গেট তৌরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

## হৌথিশিংনা সাউদি ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক্ট তৌখ্রে

দুবাই, মে ১৪ (এজেন্সি): ইরানগা মীচং চুংশিন্নরিবা হৌথি মুভমেন্টনা মরু ওইবা সাউদি ইন্সটোলেসনশিংদা দ্রোন এটেক্ট কয়া চথখ্রে হায়না য়েমেনগী লালহৌবা গ্রুপ অসিনা চল্লাইবা টেলিভিজন ষ্টেসন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্লেম তৌখ্রে।

এটেক্টশিং অদুগী মতম নৎত্রগা টার্গেটশিংগী মরমদদি টেলিভিজন ষ্টেসন অদুনা শেংনা পনখিদে। নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা সাউদি ভেসেল মরিগী মনুংদগী ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক্ট তৌরক্লে হায়না রিয়াদনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা থৌদোক অদু চুন্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকরখিদে।

মসিরাহ টি ভিগী রিপোর্ট অদুদা হৌথিশিংগী দ্রোন ৭ না মরু ওইবা সাউদি ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক্ট কয়া পাঙথোকখ্রে হায়না হৌথি মিলিটরি ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ফুজাইরাহ এমিরেটকী মনাক্তা চথখিবা এটেক্ট অদু য়েমেনদা সাউদিনা লুচিংলিবা মিলিটরি কোলিসন অমগা লান্থেংনরিবা হৌথিশিংনা ক্লেম তৌরিব্রা হায়বসিসু খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। য়ু এ ঈগী ওথোরিটিশিংনসু এটেক্ট অদুগী মওং মতৌ নৎত্রগা মদুবু কন্নানা নৎত্রগা করম্বা গ্রুপশিংনা পাঙথোকখিবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবনি।

হৌথিশিংনা মমাংদা দ্রোন অমসুং মিসাইল এটেক্ট কয়া সাউদি অরাবিয়াদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না চথখিবদা নত্তনা য়ু এ ঈদসু দ্রোন এটেক্টশিং চথখি হায়না ক্লেম তৌখি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা কেপিটেল সানাদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রম্বদগী চিংথুখিবা মালেমনা শকখঙলবা গভর্নমেন্টবু অমুক হন্না পৱার পায়হন্নবা হোৎনরদুনা হৌথিশিংগী মায়োক্তা কুমজা ২০১৫ দা য়েমেনদা খুৎ থিংজিনবা হৌখিবা নোংচুপলোম্না শৌগৎপা সুনি মুস্লিম এলাইঅন্স অদু সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ু এ ঈনা লুচিংলিবনি। কনফ্লিক্ট অসি সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা শোক্লবা পোক্সি লান অমনি হায়নসু লৌনরিবনি।

---

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

**NOTIFICATION**

**Imphal, the 13th May, 2019.**

No.3(I)/15/2008-HSC(Vol-V)/5207 It is, hereby, notified for information to all the concerned that those desirous students who have passed/qualified the HSLC or equivalent examination from recognized Boards/Councils/Universities other than the Board of Secondary Education, Manipur and seeking admission in **Class-XI** in any institution under the Council in the current academic session, 2019-2020 are to apply for obtaining Eligibility Certificate from the Council prior to their admission in the respective institutions. They should submit the **Migration Certificate (original copy)** along with the completed prescribed application form.

The prescribed application form for obtaining the Eligibility Certificate can be had from the office of the undersigned on payment of a non-refundable application fee of **Rs.70/-** only **from 10:00 a.m. to 2:00 p.m.** on all working days with effect from **15-05-2019 to 29-06-2019** or may be downloaded from the **website – http://cohsem.nic.in**.

The duly filled in application form along with the necessary documents and a fee of **Rs.950/-** only ( **Rs.1,020/-** for downloaded forms ) may be submitted to the office of the undersigned upto 4:00 p.m. of **03-07-2019** and with a fine of **Rs.300/-** upto 4:00 p.m. of **16-07-2019**.

Further, no student should be admitted in Class-XI by the concerned Head of institution(s) without Eligibility Certificate and it will be the sole responsibility of the concerned Head of the institution if such students are admitted without obtaining the aforesaid Eligibility Certificate within the stipulated time.

Sd/- **CH. BIREN SINGH**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-B/5388/15

---

## রসিয়ন মিসাইলশিং লৌবদা থিন্থনবা টর্কিদা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১৪ (এজেন্সি):

অঙ্কারানা হৌদোকখিবা ৱার্কিং গ্রুপ অমা শেম্বগী ৱাফমদা য়ানগদবা লৈরিবদু য়েংদুনা লাক্লিবা জুলাই থাদা মতম লেকখ্রবা রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম এস-৪০০ লৌবদা থিন্থনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টর্কিদা তকশিনখ্রে হায়না হীরম অসিগী মতাংদা নোলেজ লৈবা য়ু এস সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং টর্কিগী ওফিসল অমনদি মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈবগী থৌরাং অদুবু থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়বা অঙ্কারাগী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈতে হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অদুবু টর্কিনা লৈনবা হোৎনরকপদগী নাটোগী মীচং লৈবাক অনীসিগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। লাক্লিবা জুলাইদা এস-৪০০ মিসাইলশিং শোয়দনা লৈরগনি হায়বা টর্কিগী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈত্রবসু য়ু এসকী সোর্স অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ৱারী শান্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিগী খোঙথাং অসিনা অঙ্কারা য়াওগদবা দিফেন্স পার্টনরশিপ অমদা প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লে হায়না য়ু এস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রবনি। নাটোগী এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিং রসিয়ন সিষ্টেম অদুগী রাদরনা ইরায় লায়না ট্রেক্কিং তৌবা ঙম্বা য়াই হায়না য়ু এস অমদি মীচংশিংনা চিংনরিবনি।

## সীজফায়র পুরক্লবা তকশিনখ্রে

ব্রাসেলজ, মে ১৪ (এজেন্সি):

লিবিয়াদা লৈরিবা ফিভম্না ইনটরনেসনল সিক্যুরিটিদা চাওনা অকিবা পী হায়রদুনা লৈবাক অদুগী লান্দা শরুক য়ারিবা গ্রুপ খুদিংমক্তা সীজফায়র অমা পুরক্তুনা চৎনহন্নবা অমসুং য়ু এননা লুচিংদুনা ৱাতেন্বগী ফিভমদা হল্লক্লবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে।

ঈ য়ুনা পার্টি খুদিংমক্তা খুদক্তা সীজফায়র অমা ইনপ্লিমেন্ট তৌননবা অমসুং লান মপুং ফানা লেপ্পবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকা এনগেজ তৌনবা আপিল তৌরি হায়না ব্রাসেলজতা ঈ য়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা য়ু এননা শৌগৎপা লিবিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ফায়েজ সেরাজকা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। মুৱামর গোদাফিবু কুমজা ২০১১ দা মফমদগী চিংথুখিবা লিবিয়াদা ইনৌ নৌনা লান কনখৎলকখিবদু ইষ্টর্ন লিবিয়ন কম্মান্দ খালিফা হাফ্টরগী ফোর্সশিংনা ট্রিপোলিদা থা অমগী মমাংদা এটেক্ট তৌবা হৌখিবদগীনি।

Postponed PM Finance Solution Postponed
Tera Loukrakpam Leikai, Opp. to Children Home.
3rd Phase Lottery cum Tender
Karigumba khudong chadaba kharadagi Date 15 May 2019 dagi hougani haina touramba Marup asi lakliba Date 30 May 2019 dagi oina sanaba houjaragani masigi damak member singna waroubidanaba haijari.
➢ Lottery winner 40 lakhs pijagani. Thagi senkhia Rs.5000/- .
➢ Tender da members 16 chatkani apunba amount 45Lakh oigani.
➢ Lottery or Tender winner oirabadi makha tana marup hullaroi.
➢ Agent khara pamjei. Agent na member singi risks puhanjaroi.
➢ Agent da pijariba khudong chaba singn :-
• Member 5 Rs.1500/Month. • Member 10 Gold 2 san loinana Rs.3000/Month. • Member 20 Gold 5 san Loinana Rs. 6000/Month. - • Member 30 Honda Activa Loinana Rs.9000/Month. • Member 40 Royal Enfield Loinana RS.12000/Month.
• Member 50 Rs.5 lakhs loinana Rs.15000/Month. • Member 100 Rs.40 lakhs One time Commission.
-Business Loan -Property Loan@ 3% -Recurring Saving@ 20% -Investment@ 4%
Office No. 9077289472/8014939809 Visiting Hours 10:30AM to 4:00PM
HL-P/4258/15 Sd/- PM Finance Solution

Manipur Government Recognised Referral Centre
SKY HOSPITAL
Providing the Ultimate Heart Care in Manipur
Happy Announcement
HEART OPD
available at SKY- 2
Porompat, JNIMS Gate
OPD Timing
Morning - 9 am to 1pm | Sunday Off
Facilities Available
1. 24 hrs Emergency Service for Heart Attack & Collapse
2. Device closure of hole in the Heart
3. Coronary Balloon Angioplasty
4. R.F Ablation for Palpitation
5. Pacemaker, ICD Combo Implant
6. Open Heart Surgery (For Hole in Heart, Valve), CABG
Please contact Reception or 8415938207 for registration
HL-B/5387/15

---

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 180/AS&SO/TBL, Dt-09-05-2019**

1. Khundrakpam Nabachandra Singh S/o (L) Khamba Singh of Khangabok Part-III Laipat Leikai.
2. -do- Roben Singh S/o (L) -do- of -do-

...*Applicants.*

-Vs-

Late Khundrakpam Khamba Singh S/o (L) Chamu Singh of Khangabok.

...*Opponent.*

[illegible] / **NOTICE**

Dt. 14-05-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ৯৫০ (অরিবা) পাট্টা নং ৪২০ (অনৌবা) দাগ নং .৬৮২০ হেক্টর চাওবা কৌরেল লৌকম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মৃত্যু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুপা কৌরেল লৌকম অসিগী অপুনবা এরিয়া .৬৮২০ হেক্টর চাওবা অসিগী মনুংদগী এরিয়া .৪৩১১ হেক্টর চাওবা লম মখৈ মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মখক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মখক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা থাগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh,**
Assistant Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur.

HL-P/4255/15

---

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL (GOVT. OF MANIPUR)**

**Ref :- Mutation Case No. 170/AS&SO/TBL, Dt-06-05-2019**

1. Saikhom Tomba Singh S/o (L) S. Amuba Singh of Khangabok Mayai Leikai.
2. -do- Henba Singh S/o (L) Nimai Singh of -do-

...*Applicants.*

-Vs-

(Late) Saikhom Amuba Singh S/o (L) S. Kanhai Singh of Khangabok.

...*Opponent.*

[illegible] / **NOTICE**

Dt. 14-05-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ২০২৯ (অরিবা) পাট্টা নং ২৯৫৩ (অনৌবা) দাগ নং ৮১, এরিয়া ০.২৫৩৭ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌকম অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ২শুবা সাইখোম অমুবা সিংহ মৃত্যু ওইখ্রে। মৃত্যু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুপা হংকারি সাইখোম তোম্বা সিংহ অমসুং হেনবা সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মখক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মখক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবক্লবদি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh,**
Assistant Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur.

HL-P/4257/15

---

TODAY
TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
TICKET RATE ₹ 800/- ONLY
3 LACS
Housefull
All Line,Quick 5& Star are 3,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 300/-
Housefull -
1,2, Activa-5G
Date & Time
15th May 2019
at 5 P.M.
Venue : Kakwa Sopha Leirak Community Hall Near Narasing
HL-P/4135/15

In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Manipur Kalakar Samitee
Regd. No. 2808 of 1979